# সবসিদিগী ব্লেক মার্কেট রেক্কেট

ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা খুন্নাইগী শোখহৌরবা কাঙলুপশিংদা মখল-মখা কয়াগী সবসিদি পীদুনা সার্ভিস সেক্টরগী খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা হোৎনবদা লুপা মিল্লিয়ন কয়ামরুম চাদিং তৌরি। অদুবু, সবসিদিগী কান্নবা অদু পোলিটিসিয়ান অমসুং ব্লেক মার্কেট তৌবা গেং অনি অসিনা লৌতুনদুনা মরক থৎলগা লৌথোকপা মরম্না লায়রবা প্রজাশিংদা য়ৌহনবা ঙমদবদগী শুপ্রিম কোর্টনা টেক্স পেয়রশিংগী শেনফম অসিবু অরেম্বদা মাঙহন্দনবগীদমক্তা সবসিদি হায়রিবা সিষ্টেম অসিমক মুখৎনবা সেন্টরদা খঙহল্লি। অদুম ওইনমক গভর্নমেন্টনা মশাগী করপসন্না লাকহৎলগা এদমিনিষ্ট্রেটিভ মেছিনরিশিংবু চুমথোকপা ঙমদবা নত্রগা পোলিটিকেল লিদরশিপনা শেঙ্গা-থুমজাগী থবক পুন্নমকপু মনীং তম্না থাদোক্তুনা থম্বগা লোয়ননা সবসিদিগী খুৎলায় অসিবু মপাঙ্গোংদা হেক য়েংবদদি লায়রবা মীয়ামগী য়াইফহনগদবা মওং অমা ওইনা উহল্লগা মনুংদনা রুল্লিং পার্টিশিংগী লেজিসলেটরশিং অমসুং মখোয়গা নক্কুবা খোঙলোয় খরগী য়াম্নমক ফরবা শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা শীজিন্নরি। মণিপুরগুম্বা রুল ওফ লো নত্রগা শাসনগী ত্রান্সপরেন্সি অমসুং এক্কাউন্টেবিলিটি হায়বদু লৈতবা ষ্টেট অমদদি সেন্টরনা লায়রবশিংদা পীরিবা সবসিদিগী মশীং থীঙমদ্রবা লুপা ক্রোড় কয়ামরুম চহী মঙাগী তার্ম অমখক্তা ক্রোড়পতি ওইবা ঙম্নখ্রবা এমএলএশিং, ওফিসিয়েলশিং অমসুং মখোয়গা দলালি চামিন্নবা ব্লেক মার্কেটরশিংগী ফুরিৎখাউদা চঙখ্রবনি। ষ্টেট অসিদা সবসিদাইজ তৌরবা টার্গেটেদ পব্লীক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম (টিপিদিএস)গী হৱাই-চেঙৱাই অমসুং কেরোসিন্নচিংবা পোৎলম কয়ামরুম ইকুই কুইদনা মিনিষ্টর য়াওনা পুলিসনা ব্লেক মার্কেটরশিংগী গোদাউন কয়াদগী ফাগৎতুনা মেদিয়াদা লৈবাক পুঙজাউ থীন্না ফোঙদোক্লখিবশিং অদুদি পব্লীক্কী প্রেসরদগী নত্রগা ফংফম থোকপা চাকথুং ফংহৌদ্রবা লেজিসলেটর খরগী অশাউবনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না খরদং খঙবা ঙম্নখিবগী ৱানি। হৌজিকসু পিদিএস কি চেঙ অমসুং কেরোসিন কয়া বজারগী দুকান পুন্নমক্তা ইফোং ফোংনা য়োন্নরি। লায়রবা প্রজাশিংনা মমল হোঙনা লৈদুনা চাগদবা মশীং থীঙমদ্রবা চেঙ মেত্রিক টন কয়ামরুম অমসুং সবসিদাইজ রেটতা লায়রবা ইমুংশিংদা য়েন্থোক্কদবা কেরোসিন কিলো লিটর কয়া মীয়াম্না কৈথেলদগী অতাঙবা মমলদা লৈদুনা শীজিন্নরি। অসিগুম্বা, হুরানবগী মকোক্তা মশম পকপগী থৌওংশিং অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং অদু কনা কনানো হায়বসি পুন্নমক্না ইখঙ খঙনরবা ৱাফমনি। মণিপুর গভর্নমেন্টকি শক্তি পায়রিবা রাজনিতিৱালাশিং অমসুং ব্লেক মার্কেটরশিংগী ওইবা অচৌবা রেক্কেট অমনা লায়রবা প্রজাশিংগী সবসিদি মখল পুন্নমক্কী মতোং চাথোক্লবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

পোলিটিসিয়ানশিংনা শৌগৎপা সবসিদিগী ব্লেক মার্কেট রেক্কেট অসিনা খ্বাইদগী হেন্না মনীং তম্না অমসুং নুংঙাইনা শেন্দোং চাউনা ফংহৌনবা হোৎনরিবা অতোপ্পা তাঞ্জা অমনা চহী খুদীংগী খরিফ সিজনগী লৌউ পাম্বাদা সরকারনা লায়রবা লৌমীশিংদা য়েন্থোক্লিবা মমল হোংবা হার পুন্নমক এগ্রীকচলর লোয়শঙগী মরী লৈনবা ওথোরিটিগা তঙ্খাই চাবীদা মন্তিক্রন্দুনা নিলাম ওক্লগা লৌমীশিংদা অতাঙবা মমলদা অমুক য়োন্থোক্লকপা অসিনি। হারশিং অসি সরকারগী রেকোর্দতদি সবসিদাইজ রেটতা কেজি ৫০ চনবা বেগ অমদা লু: ২৭০ লৌদুনা য়োনখ্রবনি। লৌমীশিংনা অমুক ব্লেক মার্কেটরশিংদগী বেগ অমদা লু: ৫০০ নত্রগা লু: ৬০০ পীদুনা লৈবগী ৱাফমতনি। মসিনি মণিপুর সরকারনা লৌমীশিংদা পীরিবা হারগী সবসিদি মপী অসি। ফীভম অসিদা লৌমীগী লুপশিং অমসুং লৌমী ঈচীন-ইনাওশিংনা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবী সিংহ নত্রগা এগ্রীকচলর মিনিষ্টর মু: নাশিরগী ইফিজি মৈ থাদুনা লম্বী-শড়ক্তা অন্দলন হৌরকপদা ঙক্নীঙাই করিসু লৈতে। চৈরক অসিদা, সবসিদিগী হার মেত্রিক টন কয়া জঙ্গলগী অরোনবা লম্বীদা ম্যান্মারদা থাদোক্লম্বসু য়ারিবনি। পোলিটিকেল বেক্কিং ফংলবা ব্লেক মার্কেটরশিংনা তৌবা ঙপ্লোইদবা থবক লৈতে। পুন্নমক অসিদা, লায়রবা প্রজাশিংদি মমল তাঙবা চেঙ, কেরোশিন অমসুং লৌবুক্তা চাইনবা হার লৈদুনা শীজিন্নদবা য়াদবা মরম্না শীজিন্নরি। মখোয়না থাগৎখিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা সবসিদিগী নিশাদা ঈৰাক্লন্দুনা লৈনরি। করিগুম্বা দেমোক্রেশিগী চৎনরোল হায়বদু মণিপুরদা পিদিএসকি, হারগী, থবক হাপ্পগী, থিকা পীবগী, সপ্লাই তৌবগী অমসুং ত্রান্সফর-পোষ্টনচিংবগী পার্সেন্টেজ কয়া শক্তি পায়রিবা নেতা অমদি ব্যুরোক্রেট ওফিসারশিংনা লৌনরিবা মওং অসিমক ওইবা তারবদি, অসিগুম্বা মখলগী দেমোক্রেশি অসিবু লৈবাক মীয়াম পুন্নমক্না মতম লৈরিঙৈদা শুদোক-চামথোক্লবা হোৎনহৌবা চুমগনি, নত্রবদি ঙসি মণিপুরি খুন্নাইনা হীরম খুদীংমক্তা অরেঙ অরেঙ পুখবগী ফীভম অমদা লৈরিবা অসি হেন্না ফীভম লুশিল্লক্তুনা মণিপুরি কৌবা মীওই কাঙলুপ মখল অমা মালেমগী লৈমায় অসিদা লৈরম্মী হায়বদু য়ৌনা কাঙ্খুল মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈতবা নত্তে।